# পোলিটিকেল প্রেসরনা মরম ওইরগা ট্রিপুরা পুলিসশিং মপুঙ ফানা মথৌ তৌবা ঙমদ্রে : মনিক সরকার



অগরটালা, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি): ট্রিপুরাদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোরকপা মতমদা ষ্টেট পুলিসনা করিগুম্বা মখলগী এক্সন অমত্তা লৌখৎপা ঙমদনা লৈরিবা অসি পোলিটিকেলগী ওইবা প্রেসর কয়া লৈবননি হায়না ট্রিপুরা ওপোজিসনগী লুচিংবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সারকারনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মরুওইনা ষ্টেট পুলিসশিং অসি মখোয়গী খুৎলায় ওইনা শিজিন্নরকপদগী ঙসিগী ফিভম অসিদা লাকপনি হায়না মরালসু শিরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা ফোঙদোকখিবদা, রুলিংদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী প্রেসরদা ষ্টেট পুলিসনা থবক তৌরি হায়বসিদি ইফোঙ ফোঙবা অরোনবা হায়বদুনি। থা খরগী মমাংদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অসিগী বাই ইলেক্সনদা বি জে পিনা চথুখিবা কা হেনবা ভাইওলেন্স য়াওবা থবক থৌওংশিং অদু পুলিসনা করিগুম্বা মখলগী এক্সন অমত্তা লৌখৎপা ঙমখিদে। দি জি পিগী ওফিস মনাক নক্লা থোকপা থৌদোকশিং ফাওবদা পুলিসনা এক্সন লৌবা ঙমদবা হায়বসি লাইবক থিবনি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা নৌনা দি জি পিগী থৌ পুরকখ্রবা ওফিসর অসিনা ষ্টেট অসিদা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা য়াম্না মুন্না খঙবা হায়বদুসু ওইদ্রি। অনৌবা দি জি পি অসি লাকখ্রবা মতুং ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী ক্রাইমশিং থোকখ্রে। জিরানিয়াদা লৈবা ওপোজিসন পার্টি মেম্বরশিংগী য়ুমদা এটেক চথুরকপা লৈখ্রে। চপ মান্ননা খায়েরপুরদসু ওপোজিসন পার্টিগী মেম্বরশিংদা য়াম্না তোয়না এটেক চথুবগী থৌদোকশিং থোক্লি। ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাংদসু সী পি আই-এমগী কথোক্লবা মেম্বর দিপক বরধনগী ময়ুমদা বি জে পিগী থৌমী ১৫০ রোম থোমজিল্লত্তুনা নুংথিল ফরত্তা এটেক চথুবগী থৌদোক অমসু থোকখ্রে। রুলিংদা লৈরিবা বি জে পিনা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা ফোর্স শিজিন্নদুনা মায় পাক্লবা হোৎনগনি হায়না খল্লিবা ৱাখলসি লাইবক থিবনি হায়রি।



ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মনুংচন্না লৈবা সলাই ককচিংনা শীন্দুনা লাংবনগী থানিল নুমিৎতা পাঙথোকপা লাংবন চারা তন্বগী থৌরমদা শরুক য়ারিবা সলাই ককচিংগী থৌমীশিং

# ‘ট্রিপুরাদা লৈরিবা বি জে পি মথং চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা চাওনা মায়থিরগনি’



অগরটালা, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি): ত্রিপুরাদা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা পার্টিনা নম্ফুদা মখা তানা পৱার পায়নবা হোৎনবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা অকি অখঙ পীবগী থৌদোকশিং তোয়না চথুরিবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না বি জে পি লৈঙাক পামদ্রে হায়বসি ময়েক শেঙলে। মরম অদুনা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা রুলিং পার্টিদা লৈরিবা বি জে পি চাওনা মায়থিবা নঙলগনি হায়না ত্রিপুরা কোংগ্রেস কম্মিটিগী লুচিংবসু ওইরিবা এম এল এ সুদিপ রোয় বর্মননা ফোঙদোরক্লি।

কমলপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুংচনবা হলাহালিদা পাঙথোকখিবা পব্লিক রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা বি জে পিদা য়াওরকপদগী বি জে পিগী হান্না লৈজরম্বা আইদোলোজি অদু মাঙখ্রে। হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লুচিংবশিংগী আইদোলোজিদি মখা তানা পৱার পায়বনি। মখা তানা পৱার পায়নবগীদমক ওপোজিসনদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংদা সী বি আই অমদি ঈ দিনা চিংবা থাজিন্দুনা অকি অকঙ পোকহনবগী থবক চথুরি। মখোয়গী মায়োক্তা লৈবা খুদিংমকপু তোঙান তোঙানবা মরালশিং পীশিন্দুনা পুলিসনা ফাবা অমদি ফুবগী থবক চথুহন্দুনা মীচম মীয়াম্বু নম্ফুদা মচিন মেনশিন্দুনা থল্লি। অদুম ওইনমক মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীয়াম্না মশাগীদা খনবা পার্টি অসিদা পারা তন্বীদুনা চাওনা মায়থিবা নঙলগনি হায়রি।

# কিবিথু মিলিটরি কেম্পকী মমিং জেনরেল বিপিন রাৱট মিলিটরি গেরিসন হায়না থোনখ্রে

ইটানগর, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি): অরুনাচল প্রদেশকী মনুংচনবা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লৈবাক অনীগী তায়নবা শরুক্তা লৈরিবা কিবিথু মিলিটরি কেম্পকী মমিং জেনরেল বিপিন রাৱট মিলিটরি গেরিসন হায়না থোনখ্রে হায়রি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হান্নগী চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ বিপিন রাৱটনা হিংলিঙৈ মতমদা কিবিথু কেম্পতা লৈরিবা ৫/১১ গোরখা রাইফলস য়ুনিটকী কর্নেল ওইনা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৯-২০০০ ফাওবা লৈরমখি। মহাক্লা কেম্প অসিগী কর্নেল ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা শিংথানিংঙাই ওইরবা থবক কয়া তৌরমখিবা অদুবু নিংশিংবা অমদি ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাক্কী মমিং লৌরগা থোনখিবনি।

কিবিথু ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈবা য়াম্না পীকপা খুঙ্গং অমনি। হায়রিবা খুঙ্গং অসি ৱালোংদগী কিলোমিটর ২২ রোম চৎলগা লৈরি। খুঙ্গং অসিদা লৈরিবা কেম্প অসিবু লৈখিদ্রবা জেনরেল বিপিন রাৱটকী মমিং লৌদুনা থোনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখি। থৌরমদুদা অরুনাচল প্রদেশকী গভর্ণরসু ওইরিবা রিটায়র্দ বিগ্রেদিয়র বি দি মিস্রা, চীফ মিনিষ্টর পেমাখন্দু, ইষ্টর্ন আর্মি কম্মান্দর লেফ্টনেল জেনরেল রানা প্রটাপ কলিতা অমদি লৈখিদ্রবা জেনরেল রাৱটকী মচানুপীশিং ক্রিতিকা অমসুং তারিনিসু শরুক য়াখি। পনবা য়াবদি জেনরেল বিপিন রাৱট মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা চোপ্পর কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদবনি।

# করিমগঞ্জতগী লুপা ক্রোর অনীরোমগী য়াম্লবা গঞ্জাশিং ফারে

শিলচর, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি): অসামগী মনুংচনবা করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্তা পুলিসনা চথুখিবা থিহুম্বগী থবক্তা য়াম্লবা গঞ্জাশিং ফাবা ঙম্লে হায়না অসাম পুলিসকী মকোক থোঙবা ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসগী ৱাঙাঙলোয় অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না অসাম পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রবা য়াম্লবা গঞ্জাশিং অদুগী অরুম্বনা কিলোগ্রাম ১১০৮ নি। হায়রিবা গঞ্জা অসিগী ভেল্যুনা ইন্টর্নেসনল মার্কেটতা লুপা ক্রোর অনীরোমগী ওইগনি হায়রি।

অসাম অমসুং ত্রিপুরাগা তায়ননা লৈরিবা করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্তকী মফম খরদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা দ্রগ লল্লোনবগী থবক চথুরে হায়বগী অকক্নবা পাউ অমা ফংলবা মতুং পুলিসনা থিহুম্বগী থবক চথুখিবনি। মদুদা য়াম্লগা গঞ্জাশিং অসি ট্রক অমদা হাপ্লগা পুরকপা থেঙনখিবনি। ট্রক অদুবু থৌরকখিবা মীওই অদুগী মমিংনা মনিস কুমার কৌই। মহাক বিহারদগীনি হায়রি।

# বিপ্লব দেব কুমারবু বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইনা নোমিনেট তৌখ্রে

অগরটালা, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি): ত্রিপুরাগী অমত্তা ঙাইরবা রাজ্যা সভা সিটকীদমক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা রুলিং পার্টি বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইনবগীদমক হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব দেব কুমারবু নোমিনেট তৌখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অরুন সিংহনা ৱাফম অসি ঙসি মীয়াম খঙনা লাওথোকখ্রবা মতুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব দেবনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বি জে পি নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সহাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্যা সভাগী বাই ইলেক্সন অসিদা বিপ্লব দেবনা সী পি আই-এনগী ভানুলাল সহাগা লম্বা তৌনগদৌরি। রাজ্যা সভা সিটকী বাই পোল থা অসিগী ২২ দা পাঙথোক্লগনি হায়রি। পনবা য়াবদি বিপ্লব দেব মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা হরিয়ানা এসেমব্লি ইলেক্সনগী ইন-চার্জ ওইনসু থৌ পুরিবনি।

# ঐচ এন এল সীগী হান্নগী লুচিংবা হাৎখিবগী থৌদোক সী বি আইদা থিজিনহন্নবা তকশিনখ্রে

শিলোং, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি): মেঘালয়াদা বেজ তৌবা লোনা অথিংবা থমখ্রবা হৈনিট্রেপ নেসনল লিবরেসন কাউন্সিল (ঐচ এন এল সী) গী হান্নগী লুচিংবা চেরিষ্টরফিল্ড থাংখিয়ু হাৎখিবগী থৌদোক অদু সেন্ত্রেল এজেন্সী সী বি আইদা শীন্নদুনা থিগৎহন্নবা মেঘালয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মেঘালয়া টি এম সীনা ফোঙদোকখিবদা ঐচ এন এল সীগী হান্নগী লুচিংবা থাংখিয়ু হাৎখিবগী থৌদোক অসি ঐখোয়না ইরায় লায়না লৌফম থোক্তে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মিহাৎ অসিগী মতাংদা মীওই অমনা শাবা কম্মিসন অমা লিংদুনা থিগৎহন্নবা হোৎনরিবা অসি মতিক চাদে। মরমদি হায়রিবা লালহৌবা লুচিংবা অসি পুলিসনা চথুখিবা মওং মরিল তাদবা ওপরেসন অমদা শিখিবনি। ষ্টেট পুলিসনা মথৌ চেকশিন্না তৌদবদগী শিখিবা ওইবনা থৌদোক অসি ষ্টেট এজেন্সীনা থিজিনবদা মপুং ফাবা ঙম্লোই। মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক



হৌজিক সেন্তর অমদি লালহৌলুপ অসিগা পিছ টোল্ক তৌনবা শেম শারিবা অসিদা চাওনা অকায়বা পীরকপা য়ানা লৈরি। মতম শাঙনা ৱারী শান্ননবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুং হন্দক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কন্না হোৎনদুনা ৱারী শান্ননবা থৌরাংলিবা অসিদা অকায়বা লাক্লবদি অমুক হান্না লালহৌলুপ অসিনা গভর্ণমেন্ট অমদি মরি লৈনবা ওথোরিটিশিংদা থাজবা লৈররোই হায়রি।

অমরোমদা, ওপোজিসন লিদর মুকুল সংমানা ফোঙদোকখিবদা ফজনা শেম শারবা মতুংদা ঐচ এন এল সীগী হান্নগী লুচিংবা অসি পুলিসনা হাৎখিবনি। অদুবু মখোয়না প্লান তৌদুনা পায়খৎলিবা থবক অদু মরম চানা লোয়শিনবা হৈতবদগী মীশি অসিগী মতাংদা হৌজিক্তি ৱাফম কয়া থোক্লক্লে। মরম অদুনা লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগীদমক থৌদোক অসি সী বি আইদা থিগৎহনগদবনি হায়রি।

## CROSSWORD-3641



**ACROSS**
1 Exultant (10)
7 Finally (2,3,3)
8 Hold tight (4)
9 Red gem (4)
10 Rich in resources (7)
12 Star-gazers (11)
14 Cattleman (7)
16 Agitate (4)
19 School class (4)
20 Hindrance (8)
21 Expert (4,6)

**DOWN**
1 Male singing voice (5)
2 Dwell in (7)
3 Submissive (4)
4 Spiny creature (8)
5 Hours of darkness (5)
6 Gangways (6)
11 Leading (8)
12 Female warrior (6)
13 Take out (7)
15 Punctuation mark (5)
17 Monarch (5)
18 Continent (4)

**Solution 3640**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ■ | F | E | E | L | I | N | G | S | ■ | S | A | W |
| L | ■ | X | ■ | A | ■ | I | ■ | T | ■ | L | ■ | A |
| A | P | T | L | Y | ■ | C | R | A | V | A | T | S |
| C | ■ | R | ■ | ■ | ■ | K | ■ | R | ■ | I | ■ | P |
| T | R | A | P | E | Z | E | ■ | B | O | N | U | S |
| I | ■ | C | ■ | V | ■ | L | ■ | O | ■ | ■ | ■ | ■ |
| C | U | T | L | E | R | ■ | H | A | W | A | I | I |
| ■ | ■ | ■ | ■ | R | ■ | A | ■ | R | ■ | S | ■ | N |
| S | I | L | L | Y | ■ | S | E | D | A | T | E | D |
| K | ■ | A | ■ | B | ■ | W | ■ | ■ | ■ | O | ■ | E |
| I | M | P | L | O | R | E | ■ | C | A | U | S | E |
| F | ■ | S | ■ | D | ■ | L | ■ | U | ■ | N | ■ | D |
| F | O | E | ■ | Y | U | L | E | T | I | D | E | ■ |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4041

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | | | 6 | | 4 | |
| 3 | 8 | | | | 4 | | 5 | 2 |
| | 2 | | | 8 | 7 | | | 6 |
| 4 | 9 | | | | | | | |
| | 1 | | 7 | | 5 | | 2 | |
| | | | | | | | 6 | 1 |
| 7 | | | 4 | 2 | | | 8 | |
| 8 | 4 | | 6 | | | | 3 | 7 |
| | 6 | | 8 | | | 2 | | |

### Solution-4040

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 4 | 5 | 7 | 6 | 2 | 8 | 9 | 1 |
| 9 | 6 | 7 | 8 | 1 | 4 | 5 | 3 | 2 |
| 1 | 8 | 2 | 3 | 5 | 9 | 7 | 4 | 6 |
| 7 | 5 | 1 | 2 | 4 | 6 | 3 | 8 | 9 |
| 2 | 3 | 4 | 9 | 7 | 8 | 1 | 6 | 5 |
| 8 | 9 | 6 | 5 | 3 | 1 | 4 | 2 | 7 |
| 5 | 7 | 8 | 6 | 9 | 3 | 2 | 1 | 4 |
| 6 | 1 | 3 | 4 | 2 | 5 | 9 | 7 | 8 |
| 4 | 2 | 9 | 1 | 8 | 7 | 6 | 5 | 3 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9**
**Every row must contain the numbers from 1 through 9**
**Every column must contain the numbers from 1 through 9**
**Every 3x3 square must contain the numbers**

## EMPLOYMENT NEWS

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR RESEARCH ASSOCIATE

Assam Agricultural University Research Associate Recruitment 2022: Advertisement for the post of Research Associate in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 30 September 2022. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2022 Research Associate Vacancy 2022 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2022 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Research Associate
Research Associate
Job Location:
Assam Agricultural University, Jorhat, 785013 Assam
Last Date: 30 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Assam Agricultural University (AAU)
Assam Agricultural University (AAU) Recruitment 2022 Details
Company Assam Agricultural University
Job Role Research Associate
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Jorhat
Experience 2 - 5 years
Salary 22000 - 97000(Per Month)
Posted on 06 Sep, 2022
Last Date To Apply 30-09-2022
Educational Qualification: M.Sc
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR 22000 - 97000(Per Month)
Age Limit: 38 yeras.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Research Associate in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Listed below are the steps to apply for Assam Agricultural University Recruitment 2022
Step 1: Visit official website of Assam Agricultural University - aau.ac.in
Step 2: Here look for the Assam Agricultural University Recruitment 2022 Notification
Step 3: Make sure you read all the details in the notification
Step 4: Apply or send the application form as per the mode of application given on the official notification
Important Dates:
Published on: 07 September 2022
Last date for application is: 30 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### AAU RECRUITMENT 2022 FOR ASSISTANT COMPTROLLER

Assam Agricultural University Assistant Comptroller Recruitment 2022: Advertisement for the post of Assistant Comptroller in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 20 September 2022. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2022 Assistant Comptroller Vacancy 2022 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2022 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Assistant Comptroller
Assistant Comptroller
Job Location:
-, Guwahati, - Assam
Last Date: 20 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Assam Agricultural University (AAU)
Assam Agricultural University (AAU) Recruitment 2022 Details
Company Assam Agricultural University
Job Role Assistant Comptroller
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job LocationsGuwahati
Experience Fresher
Salary 30000(Per Month)
Posted on 07 Sep, 2022
Last Date To Apply 20-09-2022
Educational Qualification: Please Refer Official Notification
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
30000(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Assistant Comptroller in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates must apply for Assam Agricultural University Recruitment 2022 before 20/09/2022 The procedure to apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2022 is stated below also check the application link here.
Step 1: Visit Assam Agricultural University official website aau.ac.in
Step 2: Search for Assam Agricultural University Recruitment 2022 notification
Step 3: Read all the details in the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application and apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 08 September 2022

Last date for application is: 20 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification










